হুইয়েন লানপাও

ট্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট (টি আর আই) চীংমৈরোংদা পাঙথোকখিবা মাও য়ুঠ এন্দ ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী গেট টুগেদর এন্দ ফ্রেশরস দেগী থৌরম

এম য়ু কেম্পসতা সিক্যুরিটি ফোর্স থাজিনবা, মহৈরোয় অমসুং ওজাশিং ফাজিনবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা এম য়ুদা প্রোটেষ্ট তৌবা

সাহিত্য একাদেমি ইম্ফালনা শিন্দুনা 'মীট দি ওথর' হায়বা থিমদা ডোক্টর যোদ্ধ চন্দ্র সনসমনা মহাক্কী পূন্সি অমদি থবক্কী মরমদা মপাউ তন্নগী থৌরম

hitya Akademi
et the Author
লামায় ১

খেবা চীংদা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী এগজিক্যুটিব কন্মিটিগী মীফম

Vol. 42, Issue No.180 নোংমাইজিং, লাংবন ১৩নি পানবা, অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Sunday, September 23, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৮০.৬২
দীজল : লিটরদা লুপা ৭১.৯৬

কৈশুমশঙ য়ৌখ্রবা এম য়ুগী ওজা ৬ সস্পেন্দ তৌরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২: জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজা তরুক সস্পেন্দ তৌরে হায়না ভাইস চাঞ্চেল্লর ইন-চার্জ, প্রোফেসর কে যুগিন্দ্রোনা ফোঙদোরক্লি। ওজা, নন-টিচিং ষ্টাফ অমদি মহৈরোয়শিংনা য়ুনিভর্সিটিবু মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না আপিল তৌরদুনা প্রোফেসর ৱাই যুগিন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুনিভর্সিটিগী ঈং তপ্পা ফিভম কায়হন্দনা থম্নবগীদমক অয়াবা য়াওদনা টি ভি চেন্নেলশিংদা খন্ন নৈনবগী থৌরমদা শরুক য়াবা ইমপ্লোয়ীশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎলকপা য়াই। সেপ্তেম্বর ২০ দা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, নুমিৎতুদা রেজিষ্ট্রার, প্রোফেসর এম শ্যামকেশো অমদি ওজা খরগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক্তা ফিভম য়েংশিনবা চৎখি। রেজিষ্ট্রার, দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার, জোইন্ট রেজিষ্ট্রার অমসুং য়ুনিভর্সিটি এঞ্জিনিয়রগী কা শো লোল্লম্বা থেংনবদগী ফোটো নম্নবা হোৎনরিঙৈদা মুটাগী লুচিংবা খরা লাক্লগা অকনবা ৱাহে ৱাতা শীজিন্নদুনা হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ইন-চার্জ প্রো. দব্লিউ বিশ্বনাথকী কা তম্লা পুখি। অদুবু প্রো. এম শ্যামকেশো অমদি প্রো. কে যুগিন্দ্রো খক কা মনুংদা চঙহল্লগা অতে ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	84.801319
US Dollar	72.273504
British Pound	94.482562
Australian Dollar	52.649232
Chinese Yuan Renminbi	10.532791
Japanese Yen	0.641591
Malaysian Ringgit	17.481757
Norwegian Krone	8.859783
Singapore Dollar	52.896721
South Korean Won	0.064820
Swedish Krona	8.201525
Turkish Lira	11.456993
Myanmar Kyat	0.04442
Bangladesh Taka	0.86171

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 31336.90
Mumbai	–	Rs 32352.94
Delhi	–	Rs 32032.09
Kolkata	–	Rs 32310.16

HL POLL

Q : Manipur leingakna MU gi wathok asida Pro VC Prof. K Jugindro shougatli haibasi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : MU gi campus manungda security force thajinbagi thouong achumbani haina loubra?

Yes 06% No 94%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অস! লোইরেহে!

পান্দে মথন্তনা নৈবদা উফুল তাইহে!



পান্দেবু লুম্না লৌবা মীওই খরা য়াওবদগী তৌরিনিদা, নৎত্রদি...!

জি পি এস হাপ্পা লাইট ভেহিকলশিং লৈঙাক্কী ওফিসলশিংদা শীন্নখ্রে

ইম্ফালদা ওভর ব্রিজ ২ শারগনি : সী এম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক (এ দি বি)গী ফন্দিং মখাদা ইম্ফালদা লুপা ক্রোর লিশিং ১৪ চঙনা ফ্লাই ওভর অনী শানবা অয়াবা পীরক্লেহায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্লা শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলস পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংদা গ্লোবেল পোজিসনিং সিষ্টেম (জি পি এস) য়াওবা লাইট ভেহিকলশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা সী এম নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, ইম্ফালগী মনুংদা মী চিনখৎলকপগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা ওভর ব্রিজ অমদি রিং রোদ শেমগৎনবগী মতাংদা এ দি বিগী ওফিসলশিংদা তকশিনখি। এ দি বিগী মায়কৈদগী ইম্ফালদা ফ্লাই ওভর ব্রিজ অনী শানবা লুপা ক্রোর লিশিং ১৪ কায়থোক্লবা অয়াবা পীরক্লে। রিং রোদ শেমগৎনবসু লুপা ক্রোর লিশিং ৮ অয়াবা পীরক্লে। রিং রোদ অমদি ওভর ব্রিজ অনী অসি শেমগৎলকপা মতমদা ইম্ফালগী অকোয়বা মফম কয়াদা গাড়ী চিনবগী চাং অসি হন্থরক্কনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা চৎথোক-চৎশিনদা খূদোংচানবগীদমক লাইট ভেহিকলশিং অসি খূৎশিন্নবনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াগী এস দি ওশিং অমদি পুলিস ওফিসরশিংগী শীজিন্ননবা লাইট ভেহিকলশিং অসি খূৎশিন্নরিবা অসিনা চৎথোক-চৎশিনদা খূদোংচারগনি। লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা ফিল্ডদা মাগী-মাগী মথৌ চৎনবা হোৎনবদা গাড়ীগী অৱাৎপা লৈবা মতমদা অৱাবা মায়োক্লে। মতমগা চুনদ্রবা, ফীভম শোক্লবা গাড়ীশিং শীজিন্নবনা ওফিসলশিংগী থবক থৌরমদা অপনবা ওইহল্লি। অহনবা গাড়ীশিং অসি শীজিন্নদুনা মানা-মানা চৎকদবা মফমশিং অদু মতম চানা য়ৌবা ঙম্লগনি। এস দি ওশিং অমদি পুলিস ওফিসরশিংনা ফিল্ডদা চৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। খুঙ্গং চৎসি মিসন লাকপা অসিদা মফম কয়াদা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। অসিগুম্বা ফীভম কয়া অসি য়েংলগা তঙাইফদনা লৈঙাক্লা অফবা গাড়ীশিং অসি খূৎশিন্নরিবনি। ওফিসল মশা-মশাদা হকথেংননা লাইট ভেহিকলশিং অসি শীন্নবা অসি মশা-মশাগী থবক্তা শীজিন্নগদবনি।

ওফিসলশিংনা কথোকপগা লোয়ননা মথৌ মশক খঙনা তৌবা চঙই। মীয়ামগীদমক য়াইফনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলকপা মতমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চঙবা য়াবা মীৎয়েংশিং চঙগনি। লৈঙাক্কী ওফিসল, ব্যুরোক্রেট, পুলিস-নচিংবশিং অসি লৈঙাক্কী য়াঙলেন শরূনি। মখোয়না মফম কয়াদা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা য়েংশিনগদৌ-রিবনি। লৈঙাক্লা চীংদা চৎসি অমদি খুঙ্গং চৎসি হায়বনচিংবা মিসন কয়া পাঙথোরকপা অসিনা মীয়ামদা খূদোংচাবা কয়া ফংহল্লি। লৈঙাক্কী ওফিসলশিং খুল-খুলশিংদা চৎপা অসিনা মীয়ামদা ঈ-পাউ কয়া খঙহনবা অমদি খূদোংচাবা কয়া পীবদা মতেং ওইরি। ষ্টেট অসিগী ওইনা ভিলেজ ২,৬৬০ রোম লৈবগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা খুঙ্গং চৎসি মিসন অসিনা ভিলেজ ১৬০০ রোম য়ৌশিনবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

'ফাজিনখিবা মহৈরোয়শিং, ওজাশিং খুদক্তা থাদোক্কদবনি'

ৱাকৎলকপদগী এম য়ুদা পুলিস চঙলুবনি, ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরি : সী এম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস): সেপ্টেম্বর ২০ গী নুমীদাংদা ষ্টেট সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা চথুখিবা থৌওংগী মতাংদা ঙসি জোইন্ট এক্সন কন্মিটি ওফ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কন্ম্যুনিটিগী মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ অহুম লৌখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা) গী প্রসিদেন্ট প্রোফেসার আই তোম্বনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম্না লৌখিবা ৱারেপশিংদি, এম য়ুনা খাংদগী চোংথবদা মৈথক্তা তাবগী মওংদা হৌজিক চথুরিবা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট ইগজাম অমসুং মিং চনবগী থবক্তা অপনবা থোক্লিবসিগী থৌদাং প্রো ভি সীনি হায়বা প্রোফেসর কে যুগিন্দ্রো অমসুং ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অমনা লুচিংবা ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা পুগদবনি; প্রোফেসর এ পি পান্দে কনখৎনবা হোৎনবগীদমক সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা থৌদাং পুগদবনি। লোয়ননা ফাজিনখিবা ওজা অমদি মহৈরোয়শিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্তুনা মখা তানা মীফা-মীপুন চথনবা হোৎনরোইদবনি হায়বসিনি।

মুটাগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর আই তোম্বা অমসুং মুসাগী প্রসিদেন্ট এস জিবোনকুমারনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পুলিস পর্সনেলশিংনা নুপীশিংগী হোষ্টেলদা ফাওবা ফজদবা ৱাহে-ৱাতা শীজিন্নদুনা কা হেনবা থৌওং চথুখিবা কন্দেম তৌই। ইন্সপেক্টর জেনরেল মশামক্লা হৌজিক-হৌজিক পোষ্ট গ্রেজ্যুএটকী ইগজামিনেসন ঈং-তপ্পা পাঙথোক্লি হায়বা খঙলমদবসি লাইবক থিবনি। নুংঙাইহরিবা ৱাফমদি এম য়ুগী ভিজিটর ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা সস্পেন্দ তৌখ্রবা ভি সীগী য়াথং মতুং ইন্না ওজা অমসুং মহৈরোয়শিং ফাজিনখিবনি হায়না ইন্সপেক্টর জেনরেলনা ফোঙদোকখিবদুনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী ইন-চার্জনা ৱাকৎলকপদগী এম য়ুদা তঙাইফদনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং চঙলুবনি। অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরি হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা থৌরম য়াওবা লাকখিবা সী এমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইস্যু অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ৱারোইশিন পুরক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। এম য়ুগী কেম্পসতা সিক্যুরিটি ফোর্স চঙলুবদু ভি সী ইন-চার্জগী ৱাকৎ লাকপদগী চঙলুবনি। ফারিবা মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিং অদু থাদোক্লবা থৌরাংশিং তৌরি। এম য়ু ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মক্রু থোং মনাক্তা গাড়ী ১৮ লুট তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস): নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী মক্রু থোং ময়াদা খুৎলায় পায়বা কাঙবু অমনা জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না চঙলকপা গাড়ী ১৮ ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪০ রোম তাবদা লুট তৌখ্রে, খুৎলায় পায়বশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লম্বা দি আই টাটাগী দ্রাইভর কনবা ঙমখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিং পুরকপা ত্রক ১৭ অমসুং দি আই টাটা অমা য়াওনা পুন্না গাড়ী ১৮ অদু জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না লাকখিবনি। গাড়ীশিং অদুনা মক্রু থোং ময়া য়ৌরকপদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা শকখঙদবা মীওই ১০ রোম্না নমদুনা খামহনখি। গাড়ীশিং অদু খামহল্লবা তুংদা দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেনশিং কৌথরগা মখোয়দা য়াওবা শেনফম অমদি মোবাইল ফোননচিংবা মুনখি। ক্লা মনা পুরকপা দি আই টাটা অমদি পৈশা য়াওদে হায়রুবদগী দ্রাইভর নমদুনা গাড়ীদগী চিংথরগা ফাদুনা পুখি। খুৎলায় পায়বশিং অদুনা মফম অদু থাদোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা ত্রক তরুকলোমগী টায়রদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা পঙ্কচর ওইহল্লমখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি, এস আর নিংসেন বাসুম, এদিস্নেল এস পি অবুল কলাম, তৌসেম ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

নোংমতং ওইরবসু মনা-মশিংখক্তা চানবা গভর্নরনা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): জেন ভিকাস মন্দল ইম্ফালনা অনন্তা চতুর্দাসিগা মরী লৈননা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ভেজিটরিয়ন দেদা মীপুম খুদিংমক শা-ঙা চাদবগা লোয়ননা মনা-মশিংখক্তা চাবিয়ু হায়না গভর্নর ডা. নজমা হেপ্তুলানা আপিল তৌরক্লি।

অনন্তা চতুর্দাসিগা মরী লৈননা গভর্নরনা পীরকপা পাউজেল অমনা হায়, মীপুম খুদিংমক মনা-মশিংখক্তা চাবগী কান্নবা খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। জেনিজম হৌদোকখিবা লোর্দ মহাবিরনা মনা-মশিংখক্তা চাবগা লোয়ননা থৱায় পানবা অমত্তদা অশোক-অপন নংহনখিদে।

মালেমদা মনা-মশিংখক্তা চাবদা হকচাং ফবা হেল্লি হায়বা খঙনরক্লে হায়না পল্লদুনা গভর্নরগী পাউজেল অসিনা হায়, অনন্ত চতুর্দাসি নুমিৎতা মীপুম খুদিংমক মনা-মশিংখক্তা চাবিদুনা ভেজিটরিয়ন্না হকচাংদা পীরিবা কান্নবশিং খঙদোক্লবা হোৎনবিয়ু অমসুং শা-ঙা অমত্তা চাবিগনু।

অমরোমদা, অনন্তা চতুর্দাসিগী য়াইফ পাউজেল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, মনা-মশিং চাবনা হকচাংদা কান্নবা ফংহল্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা জেন ভিকাস মন্দল ইম্ফালগী মেম্বরশিং অমসুং মণিপুরদা খুন্দারিবা জেন ফুরুপকী মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

শক্লাইরবা অইবা ডোক্টর যোদ্ধ চন্দ্র সনসমনা মীয়ামদা মহাক্কী পূন্সিগী ৱারী লিখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): সাহিত্য একাদেমি ইম্ফালনা শিন্দুনা 'মীট দি ওথর' হায়বা থিমদা মমিং লৈরবা অইবা, শৈরাংবা অমসুং অনা-লায়েংবা ডোক্টর যোদ্ধ চন্দ্র সনসমগা উনদুনা মহাক্কী পূন্সি অমদি থবক্কী মরমদা মপাউ তমহনখ্রে।

ওল্ড এসেম্ব্লী রোদতা লৈবা মণিপুরী হিন্দী পরিষদ হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ডো. যোদ্ধ চন্দ্র সনসমনা হায়খি, মহাক ফজববু য়াম্না পামজবা, অচুম্ববু য়াম্না নুংশিজবা মী অমা ওইনা হৌরকই। অউ-অউ পাম্মী হায়দুনসু নুপী ওইবীশিংদা অউ-অউবা পাম্বদি তৌরকখিদে। খুন্নাইবু য়াম্না কিনা চৎচরবসু মীওইবগী পূন্সিগী খোঙচৎতা ফংফম থোকপশিং ফংহন্নবগী ৱাখল্লোন য়ানিংলবদি নৎত্রগা য়ানিংদ্রবদি ঐহাক্লা খুন্নাইবু শীংনবগী মতাং অদুম য়াওদুনা লাকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, অঙাং ওইরিঙৈ সী সী হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা তম্লিঙৈ স্কুলগী ওজা ওইনিংখি অদুগা দি এম কোলেজদা তম্লিঙৈ অমুক কোলেজগী প্রোফেসর ওইনিংখি। মেদিকেল কোলেজদা তম্লবা মতমদনা মেদিকেল কোলেজগী ওজা অমুক ওইনিংখি। স্পোর্টসতা য়েংলুরগা ফুটবোল প্লেয়র অমা ওইনিংবা, ঈশৈ তারুরগা ঈশৈ শকচনিংবা মীশক অমা ওইরকখি। প্রী য়ুনিভর্সিটি লোইশিল্লকপদা ডোক্টর য়াম্না ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

Aptech LEARNING
Unleash your potential
Designed by Middlesex University London
ENGLISH SPEAKING
VOCABULARY
CONFIDENCE
BETTER FUTURE
HAPPINESS

IMPHAL CENTRE
YAIPHAKOL Building
Singjamei Parking
www.aptechlearning.com
7085440528

ADMISSION OPEN

Spoken English
Read
Write
Listen
Speak

Computer Courses
- Microsoft Office
- C, C++, C#
- MIS
- Website Development
- Tally erp

Eligibility: School Students Housewives Working Professionals College Students

Get TRAINED » Get HIRED

30 Years of experience | 40 Countries Imphal or Mumbai, we maintain the same Quality

HL-B/4862/17/9-15/10 (alt)

LOAN FACILITIES AVAILABLE
- Machinery Loan
- Two Wheeler Loan
- Car/Commerical Light Vehicle Loan
- TV Loan
- Pension Loan
- Service Loan

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung, Moirangkhom
B.O. MG.Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on: www.imphalfinancesociety.in

HL-B/4875/21/09-20/10


Ministry of Health and Family Welfare
Government of India
national health agency
Chief Minister-gi Hakshelgi Tengbang
Pradhan Mantri Jan Arogya Yojana
Ayushman Bharat
PM-JAY

Adomgi Hakshel, Eikhoiga Loinana
Launching on 23rd September 2018

Chief Guest : **Shri N. Biren Singh**
Hon'ble Chief Minister, Manipur

President :
Shri L. Jayantakumar Singh
Hon'ble Minister, Health & Family Welfare, Manipur

Guest of Honour :
Shri Y. Khemchand Singh
Hon'ble Speaker, Manipur Legislative Assembly

Cashless Hospitalization upto Rs. 5 lacs per year for Poor Families (2011 SECC database)
Chief Ministergi Hakshelgi Tengbang (CMHT) will continue to cover other poor families, widows, disabled and AAY beneficiaries

Toll Free Nos : 14 555 / 1800 1032 015

www.pmjay.gov.in www.cmhtmanipur.gov.in

HL-B/4874/23

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫